থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

‘নোলেজ ইজ পাৱর’ - হায়রিসিবু অচুম্বরা ?

innovation
Knowledge
is Power
research
analysis
goal

‘নোলেজ ইজ পাৱর’ - ইংলিস হায়বা লোন অসি কাবক কাবক তমখৎলকপা, প্রাইমারি অমদি ইলিমেন্টরি এদ্যুকেসনগী থাক লোইদুনা মিদ্দল স্কুল হায়বা থাক অদুদা হেক লানশিল্লকপদগী তারক্লবনি। ‘পাৱর’ হায়বসিগী চপ-চাবা ৱাহন্থোক, মতমদুদই থিরকপা ৱাখলসিনা লান্বা ফংলবসু ৱাহৈ ওইনদি ফংদরি। ‘শক্তি’ হায়বা হিন্দি লোনগী ৱাহৈ অদু ঈৰোন ওইনা শীজিন্নদুনা ঙসি ফাওবা লৈরক্লি। অদুবু, ঐগী ঈৰোনসিদসু ‘লৌশিংনা পাঙ্গলনি’ হায়বা ৱাহায় অমসু থেংনরকখি। হান্নদগী শীজিন্নরক্লবা ৱাহায়রা ? ইংরাজি ৱাহায় অসি ঈৰোনসিদা হন্দোক্লবা হোৎনবদই থোরকখিবা অতেনবা ৱাহৈ পরেংলা ? মদুমদি খঙদ্রে ঐ। পাঙ্গল হায়বা ৱাহৈ অসি ‘পাৱর’ হায়বা ৱাহৈসিগী চপ চাবা ৱাহন্থোক অদুমক্তি নত্তে। ‘স্ট্রেঙথ’ হায়বা ইংলিস ৱর্দ অসিনা ‘পাঙ্গল’গা হেন্না নকশিন্নবা ৱাহৈ ওইগনি।

চুনবা নৎত্রগা চুনদবা, চুম্বা নৎত্রগা চুমদবা, গ্রন্মাতিকল ওইবা সেন্স অদোমদা নৈনরুবা হৌদোকচবা নত্তে। ‘নোলেজ ইজ পাৱর’! নৎত্রগা, ‘লৌশিংনা পাঙ্গলনি’ হায়বা ৱাহায় অসিগী অচুম/চুমদা নৈননীংলুবনি। অঙাং (নহা) ওইরিঙৈদগী, ওজাশিংনা তাকপিরকপা/তন্বীরকপা অদুতনা অথোয়বা লৌশিংনি খন্না লাকপদুনা, ‘ৱাহায় অসি অচুম্বনি’ খন্দুনা লাকখি মতম চুপ্পদা। অদুবু, ইহৈ তম্বা লোইরবা মতুং কাইনথংদা খঙলকই - ৱাফম অসি অচুম্বা ওইরমদ্রে।

ঐহাক খঙই- অদোম্নসু ৱাফম অসি য়ানীংলোই। ঐহাক্না/অদোম্না নৎত্রগা ময়াম্না য়ানীংবা নৎত্রগা য়ানীংদবা অদুনা ৱাফম অমগী অচুম/চুমদা লেপকদবা নত্তে। লাই লৈ/লৈতে - লোইনাইদ্রবা মরৈ, ঙসি ফাওবা য়েৎনরিবসিনি। নোলেজ (লৌশিং) হায়বসিনা মীওইবগী থোইদোকপা ‘শক্তি’ (পাৱর/পাঙ্গল/মতিক)নি হায়বসি অচুম্বা নত্তে হায়বা, অনৌবা মীরোলগী অনৌবা মরৈ অসি চুম্মী/লাল্লি লেপথোক্লবা, ঐখোয় পুম্নমক্না অমত্তা ওইনা (মত খেন্নবা লৈতনা) য়াথোকমিন্নবা অমা চঙই - নোলেজ (লৌশিং) হায়বসি করিনো?

‘নোলেজ’ হায়বসি করিনো ? মীওইবগী পুৱারীদা ইহান হান্না শক্তাক্লবা হোৎনরম্বা মীশক অসি গ্রীক ফিলোজোফর ‘প্লেতো’নি হায়না খন্নে। মহাক্না ইরম্বা লাইরিক - মহাক্না ‘সোক্রেতিস’কা শানখিবা ৱারী-ৱাতায় ময়ামগী ‘খোমজিন-পাউদম’ অদুদা ‘সোক্রেতিস’না মঙোন্দা হায়রম্বা ৱাগী পাউদম ওইনা ফোঙদোকই, মদুদি ... ‘ঈমাগী শিয়োমনুংদা মিতল্লকপা হকচাং অসিদা থৰায় ৱানা চঙলকপা মতম অদুদগী মীওইবগী লৌশিং পুন্বগী মরুসু হুনখ্রবনি ... ঐখোয়না তাইবংপানসিদা খোঙদারকপা মতমদা থৰায়দুগা লোয়ননা লৌশিং পুন্বা শাগোনমিন্নরকই .. ঈশাগা শাগোন্নরকপা লৌশিং অদু পুন্সিসিদা তাঙ্কক নাইনা শকখঙলকপা (দিস্কোভরি) অদুবু কৌই মহৈ তম্বা (লর্নিং, রিএলাইজেসন’...) হায়লি-ফিলোজোফিকল ওইবা ৱাহৈ ওইবদুনা ওইরম্নি - ওজাশিংনা ঐখোয়গী নৌরিবা কোক্তু, ‘প্লোতো’গী ৱাখল্লোন অসি তাকপীরকখিদবা ! নৎত্রগা, ওইরম্বসু য়াই .. ‘অঙাওবা অমগী চোইরোলনি, ৱারোল অসি অঙাংশিংগী কোক্তা হাঞ্জীল্লুরগা অঙাংশিংগী ৱাখল লমফৈনখিনবনি’’ ... খন্না তাক্লককখিদবা! অদুসু নৎত্রগা, মখোয়না ৱাফম অসি সুপখঙ হেক খঙলকখিদবদুনা তাকখিদবা !

খুৎফোঙদোক্তা মান্নদ্রগসু, ‘প্লেতো’গী ৱাখল্লোনসিগা হাইফেৎ মান্নবা অনৌবা মীরোল (মোদর্ন টাইমস) অসিগী স্পীরিচ্যুঅল গুরু ‘জগ্গি বাসুদেব সদগুরু’গী অনৌবা খুৎফোঙদোক অমা লৈ .. ‘লৌশিং, নোলেজ হায়বসি মীওইবগী থোইদোক হেন্দোকপা মতিক-ময়াই-ক্বালিতি অমা নত্তে, কনাগুম্বা অমনা (নঙ-ঐ-মহাক) থেংনরুবা, তারুবা-পারুবা ইনফোর্মেসন ময়াম অদু মকোক্তা য়াওরিবা মেমোরি সেল (ন্যুরোন) ময়াম অদুদা তুঙশিন্দুনা থমখিবা ‘মেমোরি’ ঙাক্তনি, লৌশিং নত্তে, অতোপ্পনা হায়রম্বা ইরম্বা ময়াম অদু নীংশিংবনি... ঙসি, কোক্তা হানজিন্দুনা থল্লিবা নোলেজ, তুঙশিল্লিবা ইনফোর্মেসন, হয়েংদি চন্নফম খঙদ্রবা ইনফোর্মেসন ওইরকপা য়াই, ইন্টেলিজেন্স হায়বদুনি মতম চুপ্পদা মাঙবা লৈত্রবা, চন্নদবা লৈত্রবা, খ্বাইদগী মমল য়াম্বা মীওইবগী ক্বালিতি’।

মরম অসিনা, ‘নোলেজ ইজ পাৱর’ হায়বা নোসন অদুদা লৈগুমসি ঐখোয়। পারুবা, তারুবা, খঙলুবা ইনফোর্মেসন য়াম্না লৈরগা ‘ঐহাক অশিংবনি’, ‘ঐহাক শক্তি লৈবনি’, ‘আই এম মোর পাৱরফুল দেন আনদর’ খল্লুরিবা মহাক্তুনি খ্বাইদগী হেন্না পংবদি। লৌশিং শিংবা/নোলেজেবল ওইবা মী হায়বসি অহানবদা চৎপা কনাগুম্বা অমগুম্বনি, মশাদা য়াওরিবা সেন্সিবিলিতি অদু শীজিন্নবা হৈত্রবা। কদায়দা করি লৈ, খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমদুনা কদায়দনো ? অঙানবা লন্বীদুদদি নঙসু উই, মসু উই, ঐসু উ। অমম্বা লন্বীদা চৎপা তারক্লবা করিগুম্বা, ঈশাদা য়াওরম্বা সেন্সিবিলিতি অঙানবদা চৎপদুগা মান্নরা মথৌ তৌরক্লোই - তাবগী অমদি উবগী সেন্স অদুখক্তদা দিপেন্দ তৌদুনা চৎলম্বা, হান্না মথৌ তৌরমদবা, ঈশাদা য়াওজরবা সেন্স ওর্গানশিংগী সেন্সিবিলিতি মতমদুদা মথৌ তৌরক্কনি। হাইপর-সেন্সিবিলিতি অদুনা ঐবু তুম্বা য়াহল্লোই। মতাংদুদা ‘নোলেজ’গী মফম লৈতরে, ‘ইন্টেলিজেন্স’ মথৌ তৌরক্লনি। অপঙবা মীনা, মাঙলমচত্তা মীনা হান্না থনল্লবা পোৎ অদু থিদুনা পুথোক্লবা হোৎনবা, অশিংবা মীনা ‘হান্না থনল্লবা পোৎ অদু শীজিন্নরগা অনৌবা অমা পুথোক্লবা হোৎনবা। নোংমা, লৌশিং লৈবা নহা অমনা অহল অমদা হায়বা জাৎনি...‘য়েংঙু, ঙসিগী অনৌবা তাইবংসে জীপ-কার-বুল্লেতত্রেন-এরোপ্লেন-কম্প্যুটর-মোবাইল-এয়র কন্দিসন-রুম অমদি কার, উফুল-লৈখোম মশক উদ্রবা লন্বী ... অহলনা নহা ওইরিঙৈ হিংলমগদবা পুন্সিদু খল্লুবদা তু চুংই’... অহলদুনা মোমোন্নরা খুল্লকখি ... ‘চুন্মী ইবুংঙো, ওন্থোকপা পুন্সি মরেলনি লেল্লকখিবা ঐখোয়না, অদুগুম-তুজুংনীংঙাই ওইবা পুন্সি লেন্দনবা, নখোয়গীদমক ঐখোয়না পুম্নমকসি পুথোক্লমখিবনি ... নচা-নশুগীদমক্তি নঙনা করি তৌরল্লে’ ...?

লৌশিং পুক্কে

লেঙ ওৎপগী চাং ৱাৎপা পুন্সি মহিংনা কেন্সর নারগা শিবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি

অয়াম্বা মতমদা ফল্লগতা লৈবনা কেন্সর নারগা শিবগী রিস্ক ৱাংহল্লি হায়না অনৌবা ষ্টদি অমনা হায়রি। ফল্লগা লৈগদবা মতমশিং অসি ঙাইহাক্তং ওইরবসু লেঙ ওৎপা তৌবনা মহুৎ শিল্লবদি রিস্ক অদু হন্থহল্লি হায়রি।

মমাঙদা চথখিবা ষ্টদিশিংগী এনালাইজ তৌবদা লেঙ ওৎপগী চাং ৱাৎপা (সিদন্টেরি)না কার্দিওভাস্কুলর লায়না অমসুং কেন্সরনা নারগা শিবগী চাং ৱাংহল্লি হায়বা উৎখিবা লৈখ্রে। অদুমওইনমক হায়রিবা ষ্টদিশিং অসি পার্টিসিপেন্টশিংনা মতম কয়াম কুইনা ফল্লগা লেনবগে হায়বদুগী মশানা পীজবা রিপোর্টতা যূম্ফম ওইবা ঙাক্তনি।

টেক্সাসকী হ্যুষ্টোনদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস এম দি এন্দর্সন কেন্সর সেন্টরগী সাইন্টিষ্টশিংনা চথবা অনৌবা ষ্টদি অমনা REGARDS হায়না মিংথোনবা হৌজিক হৌজিক লেপ্তুনা চথরিবা ষ্টদি অমদা কুমজা ২০০৩ অমসুং ২০০৭কী মরক্ত শরুক য়াবা হৌখিবা মশাগী চহী ৪৫ অমসুং মথক্তা লৈবা মীওই ৮,০০২গী দেটাশিং লৌখৎখি। হায়রিবা ষ্টদি অদুগী শরুক অমা ওইনা, পার্টিসিপেন্টশিং অদুনা নুমিৎ ৭নিগী মতমদা চথখিবা ফিজিকেল এক্টিবিটিগী চাং চপ চানা খঙনবগীদমক রিসার্চরশিং অদুনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী নীংজেনদা এক্সেলরোমিটরশিং নপশিল্লন্মী।

মসিগী মতুং চহী ৫ লৈরগা পার্টিসিপেন্ট ২৬৮ (অপূনবা পার্টিসিপেন্ট মশিংগী চাদা ৩.৩) কেন্সরনা নারগা শিখি।

রিসার্চরশিং অদুনা থেংনবদা, লেঙ ওৎতনা লেনবা (সেদন্টরি) মতমগী চাং হন্থবা মীওইশিংগা চাংদম্নবদা খ্বাইদগী য়াম্না লেঙ ওৎতনা পুন্সি লেনবা মীওইশিংনা কেন্সর নারগা শিবগী চাং চাদা ৫২ হেল্লি।

লেপ্তুনা হকচাং লেঙ ওৎতনা লৈবগী মতম তেনবা মীওইশিংগা মতম শাংবা মীওইশিংগা চাংদম্নদুনা য়েংবদসু মতম শাংনা শুঙলেঙ লেঙ ওৎতনা লৈবা মীওইশিং অদুনা কেন্সর নারগা শিবগী চাং চাদা ৩৬ হেল্লি।

রিজল্ট অনীমক অসিদা অকায়বা থোকহনবা য়াওবা কেন্সর নাহনবগী মরমশিংদি রিসার্চরশিংনা এদজষ্ট তৌরম্মী। মরমশিং অদুদি হকচাং পূন্বগী ওইবা ফিজিকেল এক্টিবিটি লেবেল, মশাগী চহী, মৈখু শীজিন্নবগী ফিভম, য়ু থকপগী হৈনবী, বোদি মাস ইন্দেক্স, হান্ননা হকচাংদা লৈবা অনাবা অসিনচিংবশিংনি।

হকচাং লেঙ ওৎতনা লৈবগী চাং হন্থহনবগী কান্নবশিং ময়েক শেংনা খঙনবগীদমক নোংমগী সিদেন্টরি ওইনা লেনগদবা মতমদগী পুস্খায় অমা ফিজিকেল এক্টিবিটিনা মহুৎ শিনবগী ইফেক্টশিং অদু রিসার্চরশিংনা থমখি।

সাইক্লিংগুম্বা ময়ায় ওইরপ্পা চাংদগীনা অকনবা চাংফাওবদা হকচাং শাজেল তৌবনা কেন্সর নারগা শিবগী রিস্ক চাদা ৩১ হন্থহল্লি। খোঙনা চৎপগুম্বা কন্দবা চাংদা হকচাং শাজেল তৌবনা কেন্সর নারগা শিবগী রিস্ক অদু চাদা ৮ হন্থহল্লি।

রিসার্চরশিংনা মখোয়গী ফাইন্দিংশিং অদু জে এ এম এ ওনকোলোজি হায়রিবা জর্নেল অসিদা পল্লিস তৌখ্রে।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা ডা. সুসান গিলখৃষ্টনা হায়, মতম পুম্নমক্তা ঐগী পেসেন্টশিংগা ৱারী শানবা হৌবা অসি মখোয়না হকচাং শাজেল তৌবগী মতম ফংদ্রিবা করিগীনো হায়বা ৱাহংসিনা হৌই। মখোয়না থবক মফমদা পুং অমগী মনুংদা মিনিট ৫দং লেপ্পবা নৎত্রগা ইলিভেটর শীজিন্নবগী মহুত্তা ষ্টেয়র ওইনা শীজিন্নবা ঐনা মখোয়দা হায়। হায়রিবা থৌওং অসি য়াম্না কা হেনবা থবক অমা তৌবগুম্না খনবা য়াই অদুবু য়াম্না কন্দবা চাংদা ফিজিকেল এক্টিবিটি তৌবনফাওবা কেন্সরনা নারগা শিগদবদগী কনবদা মতেং পাংবা ঙম্মী হায়বসি ঐখোয়গী ষ্টদি অসিনা উৎলি হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

‘খজিক্তং ফম্বা অমসুং য়াম্না লেঙ ওৎপ’গী মরুওইবা অমদি ঐখোয়গী পুন্সিদা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা লেঙ ওৎপগী মতম পুস্খায় অমমম তৌবনা কেন্সর নারগা শিবগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বসি ঐখোয়গী ষ্টদি অসিগী ফাইন্দিংশিং অসিনা হেন্না ময়েক শেংহল্লে হায়নসু ডা. গিলখৃষ্টনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

রিসার্চরশিং অদুনা মখোয়গী রিসার্চ পেপর অদুগী ৱারোইশিন পীরদুনা হায়, হকচাং লেঙ ওৎপগী চাং ৱাৎপদগী ওইহল্লকপা ফত্তবা রিস্কশিং অদু হন্থহন্নবগীদমক, হকচাং লেঙ ওৎতনা লৈগদবগী মহুত্তা কন্দবা চাংদা ওইরবসু নৎত্রগা ময়াই ওইরপ্পা চাংদগীনা অকনবা চাংফাওবা হকচাং লেঙ ওৎপনা কেন্সর নারগা শিবগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বসি ষ্টদিগী রিজল্টশিং অসিনা উৎলি।

কেন্সরগী রিসার্চশিংগী ফংলিবা হকচাং লেঙ ওৎপগী চাং হন্থহনবগী মরুওইবগী ইভিদেন্সশিং অদুদা ঐখোয়গী ফাইন্দিংশিং অসিনা হেন্না ময়েক শেংহল্লে অমদি এদল্টশিংনা হকচাং ফনবা অমদি পুন্সি শাংনবগীদমক মতম কুইনা ফল্লোইদবনি অমদি হকচাং য়াম্না লেঙ ওৎকদবনি হায়বা পব্লিক হেল্থকী পাউজেলদা মতেং পাংশিল্লে হায়নসু মখা তারি।

মখোয়গী থবক অদুদা অৱাৎপা খরদি লৈ হায়না মখোয়না ফোঙদোক্লি। খুদম ওইনা, পার্টিসিপেন্টশিং কেন্সর নারগা শিবা (কেন্সর মোর্টেলিটি) য়াবগী অতোপ্পা রিস্ক ফেক্টরশিং অদু REGARDS ষ্টদিগী হৌগৎলকপা মতমদা লৌখিবনি। মসি রিসার্চরশিং অদুনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী এক্টিবিটি লেবেল ওনবা অদুদগী চহী ৬কী মমাঙদনি।

হায়রিবা মতম অসিদা মখোয়গী কেন্সর মোর্টেলিটি রিস্ক অদুদা অহোংবা কয়া লৈখিরম্বা য়াই। খুদম ওইনা, হায়রিবা মতম অদুদা মখোয়না মৈখু শীজিন্নবা হৌরকখিবা নৎত্রগা হান্না শীজিন্নরম্বদগী তোকখিবা য়াওরম্বসু য়াই।

মসিগীসু মথক্তা, কেন্সর মখল খেন্নবগী মতুংইন্না হকচাং লেঙ ওৎপগী চাং ৱাৎপনা থোকহনবা মান্নদবা রিস্কশিং অদু ষ্টদি অদুনা খায়দোকপসু ঙমখিদে।

মসি য়াম্না মরুওইবা অমনি মরমদি মমাঙদা চথখিবা পার্টিসিপেন্টশিংনা মশা-মশানা এক্টিবিটি লেবেলগী রিপোর্ট পীরকপা ষ্টদি অদুদদি হকচাং লেঙ ওৎতবগী হৈনবী অদুনা কেন্সর মখল খরদা রিস্ক হেন্না লৈহনবা থেংনখিবনি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

য়াইসনা সোরাইশম, সাইতোন হৈয়াইকোন

লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা নারোলদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক পুশিল্লকপসু লেপতে। তাংলবসু তাংনা মনা-মনিল নাইনদনা লোন্না-থুপ্পা অদুমক লৈনদুনা চানরি। থিংবসু লেপতে, পুশিল্লকপসু লেপতে। লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহা কয়া ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ইপাক্তা লুপ্পগী চাংসু হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা থেংলবসু থেংনা লমদম অসিগী মমা-মপা ওইবশিংনা মীকপ থোকপগা লোয়ননা মচাশিংবু চেকশিন্না শেন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে। করিগুম্বা মখা তানা চেকশিনহৌদ্রবদি লমদম অসি অৱাবগী ইপাক্তা পুম্নমক লুপমিন্নদুনা মাংখিবা য়ানা লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অমরোমদা নোংমা কাংদনা মশীং য়াল্লবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক কয়া ফারিবা অসি খরা অমা মৈ থাদুনা মাংহন তাকহনখ্রবসু অতোপ্পা ফাগৎখিবা পোৎলমশিং অদুনা কদাইদা চৎখ্রবনো হায়বসিসু খঙবা নত্তে। মরম অদুনা লুচিংবশিংনা হৌরক্লিবা মিরোলশিংবু কলহৌনবগীদমক অকনবা মীৎয়েং চংবিদুনা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং-থৌশিল কয়া পায়খৎহন্নিংই। ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ইপাক্তা লুপথবা হৌরক্লবা খুন্নাই অসিবু কনবা ঙমহৌদনা অদুমক লুপথখ্রবদি অমুক হন্না ইরোনুং অদুদগী ফাওগৎলকপা অৱাবা অমা ওইগনি হায়না খল্লি। মরম অদুনা মীপুম খুদিংনা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নবা মথৌ তারে।



ইরোম চন্দ্রশেখর, চঙাঙ্গৈ উচেকোন

কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লোকদাউন তৌখিবদগী মীপুম খুদিংমক লোইনা ৱানরে। অদুবু ৱানরিবা মীয়াম মরক্তগী দ্রাইভর, কৈথেল ফম্বী ইমা-ইবেলশিং, ওটো দ্রাইভরশিং অমদি নোংম-নোংমগী থবক শুদুনা শেল তাল্লগা ময়ুম-মকৈ পুরম্বা মীওইশিংনা হেন্না ৱারে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লমদম অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি অহল-লমনশিংনা পাওরৌ ওইনা হায়নবিরম্বা নমাংসু লাং, নতুংসু তেন হায়বদুমক চপচানা থোক্লবরা হায়না খঞে। অমরোমদা মালেম শিনবা থুংনা অসিগুম্বা তমথিরবা লায়না লাইচৎ লাক্তুনা মীওইবা খুন্নাইদা খম থেংনা ৱাহল্লিবা অসি মীওইবা মশানা থোকহল্লবরা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইদবা নত্তে। মরম অদুনা মীওইবা খুন্নাইনা তানফম অসিদগী তমহৌবা-খঙহৌবা য়াবা ৱাফম কয়া অমসু লৈরি। করিগুম্বা তানফম অসিদগী খঙহৌ-তমহৌদ্রগদি ঙসি মালেম শিনবা থুংনা ৱানরিবা অসিদগী অমুক্না হেন্না অৱাবা চৈথেং কয়াসু লাকপা য়াই। লোয়ননা লায়না অসি লমদম অসিদগী মরু ফংনা মাংহনখিনবা হোৎনবদা শুপ্নগী লৈঙাক খক্তদা ইন্থোকপগী মহুৎতা মীপুম খুদিংনা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঈশিংদা ঈরাক্লখিবা নুপামচা ১ শিনা ফংলে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ট্রোংলোক তুরেলদা ঙরাং অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা ঈশিংদা লুপখিবা চহী ১০ মুক্তা ঙাইরিবা নুপামচা অমা ঙসি অয়ুক পুং ৭.১০ রোম তাবা মতমদা মহাক্না লুপখিবা মফম অদুদগী খরা চথরগা টুরুংলোক তুরেল ককচিং খুনৌ মনাক্তগী অশিবা হকচাং ওইনা ফংলে হায়রি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপামচা অদুগী মমিংনা থেনমোনসাং কিপজেন (১০) অপোকপা তোনা কিপজেন কৌই। মহাক আইহাং খুলদা লৈবনি। মহাক ঙরাং তুরেলদা ঈশিংদা লুপখিবদগী মহাক্কী মবোক থোকপা অমনা ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনদা ঙরাং নুংথিল পুং ৩দা মিশিং রিপোর্ট অমা তৌখি হায়রি। থৰায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু ঙসি জেনিমসকী মোর্গতা পুরক্লগা পোষ্টমোর্টেম তৌরবা মতুংদা পুলিসনা ইমুং-মনুংদা খুৎশিন্নখ্রে।

পনবা য়াবদি, থা অসিদা ঈশিংদা ঈরাক্লদুনা শিখিবগী থৌদোকশিংদা থৌবাল, কুম্বী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, সাইকুল অমদি ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসন য়াওনা পুন্না তোঙান-তোঙানবা মফম মঙাদা নুপী ২ য়াওনা মীওই ৫ শিখ্রে।

মণিপুরদা ঙসি ওইরিবা হারগী ৱাথোক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা থোকহনবনি : ইপসা

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা থোক্লিবা হারগী ৱাথোক অসি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা থোকহনবনি হায়না ইন্টর্নেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)গী আই পি আর সেক্রেটরী এস তোন্বীসনানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা ফম্মাইবশিং অমদি এগ্রিকলচর লোইশঙদা থবক তৌরিবশিংনা মণিপুর অসি লৌমীশিংনা খুল্লিংবা লমদম অমনি হায়না ঙাংদুনা লৈরি। ৱাফম অসিগী মতাংদা ইপসানা নৈনদুনা য়েংবদা লৌমীশিংনা নুংঙাইফম খঙদবা লমদম হায়বদু চপ চানা ওইরে।

মণিপুরদা ঙসি থোক্লিবা হারগী ৱাথোক অসি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা থোকহনবনি। কোভিদ-১৯না খম থেংনা ৱারবা মতম অসিদা লৌমীশিংনা হার লৌগে হায়রবদি পট্টা পুরকউ হায়বা ৱাফম অসি য়াম্না মতাং মতম চাদবা অমনি। লৌ উগদবা মতমদা হার ফংনবা লৌ মপু তান্নদুনা লৈবা হায়বসি খ্বাইদগী মথোং হুক্তবা অমনি। পোৎকী মমলনা অতিয়া পক্লা ৱাংলবা মতম অসিদা হারগী ৱাথোক অমদি লৌমীশিং অসি পুশিন্দুনা লৈবাক অসিগী চেঙ পুথোকপা ঙমহৌদ্রবদি চেঙ তাংবগী ৱাথোক শোইদনা থোক্কনি। ৱাথোক অসিগী তেকচাক পুম্নমক এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরনা পুগদবনি।

চহী খুদিংগী হার অসি লৌমীশিংদা পীগদবনি হায়বা ৱাফম লৈরিবনি। এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা লৌমীশিংদা পীনবা হার মশিং অসি মণিপুরগী মনুংদা লৈরিবা লৌফমশিং অসি য়েংলগা ইষ্টিমেন্ট তৌদুনা থল্লমগনি। ইষ্টিমেন্ট অসি য়েংদনা অনিং অনিংবা মওংদা হার চিংলৱা হায়বসি ইপসানা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মথক্তা মীৎয়েং চংলগনি।

লৌমী অমনা দিপার্টমেন্টতগী হার বেগ অমা ফংনবা হোৎনবদা নুমিৎ কয়ানি চংই হায়বসি ইপসানা থিগৎনবগী থৌমীশিং শেম শাবা লোইরে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

মীৎয়েং চংবীয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): সেকমাইজিন, অরোং নোংমাইখোং অমদি টোকপ চীংগী এরিয়াদা লন্বী থোংগী ফিভম ফত্তবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা অসিদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চংবীয়ু হায়না সেকমাইজিং গ্রাম পঞ্চায়ট লেভেল মল্টিপরপজ কোওপরেটিভ সোসাইটিগী প্রসিদেন্ট মনিহারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মায়কৈ অশোমগী লন্বী-থোংগী ফিভম অসি য়াম্না ফত্রে। লৈঙাক্না থুনা য়েংশিনবীদুনা মীয়ামগী অৱাবা অসি কোকহনবীয়ু। কোভিদ-১৯গী অৱাবা কয়া অসি য়েংলগা লমদম অসোমগী মীয়ামগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিংসু মতম চানা ফংহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ইন্টর্নেসনল প্লাষ্টিক সর্জরি দেগা লোয়ননা অনাবশিংদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): ইন্টর্নেসনল প্লাষ্টিক সর্জরি দে রোটরি ক্লব অমদি রিমস হোস্পিটালগা খুৎশম্ননা শীন্দুনা থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা রিমস হোস্পিটালগী অনাবশিংদা শেলগী মতেং পাংখ্রে।

থৌরম অদুদা রিমস হোস্পিটালগী দিরেক্টর ডা. শান্তা, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. সী ঐচ আরুন অমদি প্লাষ্টিক সর্জরি দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি ডা. সঞ্জিব অমসুং রোটরি ক্লবকী সেক্রেটরি প্রেমনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। রিমসকী দিরেক্টর ডা. এ শান্তানা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯গী লায়েং চথরিবা রিমস হোস্পিটালদা ইচম চম্না থৌরম পাঙথোক্তুনা অনাবশিং মতেং পাংবনি। মসিগীদমক রোটরি ক্লবপু থাগৎলি হায়নসু মখা তাখি।

রোটরি ক্লবকী সেক্রেটরী প্রেমনা ফোঙদোকখিবদা রিমসকা খুৎশম্নদুনা কুমজা ২০১৪দগী চহী খুদিংগী ওইনা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি। রিমস হোস্পিটালদা কোভিদ ক্যের ওইনা লায়েং চথবা ওইবনা চম্না পাঙথোকপনি হায়খি।

লৌমীশিংদা য়ুরিয়া ফংহনদ্রে : সঙ্ঘ

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিংদা য়ুরিয়া ফজনা ফংহনদ্রে হায়না ভারতিয়া কিসান সঙ্ঘ, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরী কুঞ্জকিশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈঙাক অসিনা অকনবা মীৎয়েং চংদুনা লৌমীশিংদা তঙাইফদবা য়ুরিয়া অহোংবা মমলদা ফংহন্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি অৱাবা মায়োক্লরে। অশেংবা লৌ উজবা লৌমীশিংনা পট্টাগা চান্নবা আধার কার্দ পায়রগা লেপহন্দুনা মীওই অমমমগী ওইনা চেক তৌরগা পীগনি হায়দুনা মতম মাংহল্লে। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা তশেংনা লৌ উজবা লৌমীশিংনা লৈঙাক্কী সবসিদাইজ রেটতা য়ুরিয়া লৈজগে হায়বদা নুমিৎ ৪/৫ লৈরগা লাকউ হায়না নাথৈরগা থন্বীরে। অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টতা থৈদোক্তুনা পুদুনা লৈরে। ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিংদা ৱারবা মতম অসিদা কাংলোন চুম্না য়ুরিয়া ফংহন্নবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চংবীয়ু। কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা দবল ইনকম ফংহন্নবগী পান্দমদা হোৎনরিবা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিংবু মতম চানা তঙাইফদবা হার ফংহনবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): মমান্নবগী য়ুমদা সজেসন লৌগনি হায়না চৎখ্রগা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা মহৈরোয় বাসিখোং কোংবা ইরোংদগী এন মঙালসনা মীশিগী মতাংদা মীওই কয়া ফাগৎপগীদমক ইরিলবুং পি এসকী মীওইশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না জে এ সী এগেন্স দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ এন মঙালসনাগী কনভেনর য়াম্বেম নিংথৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মহৈরোয় অসিহন্দক্কী ক্লাস টেন এগজাম থাখিবা মীওইনি। ইরিলবুং পি এসনা মীৎয়েং চংবীদুনা ফাবগীদমক থাগৎলি হায়নসু মখা তারি।

মীওই ৪৪৯ ফ্লাইট মঙাদা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস): মপাল লমদগী কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরদুনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরদা চংলক্কদবা মীওই ৪৪৯ রোম ঙসি ফ্লাইট মঙাদা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টর্নেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.২০ রোম তাবদা (ইন্দিগো ৬ ঈ-২৫১) ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৫০, নুপী ১২ অমদি অঙাং ৩ য়াওনা পুন্না মীওই ৬৫ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা থুংলখি। অয়ুক্কী পুং ১০.৩০ রোম তাবদা অনীশুবা ফ্লাইট (এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩) ফ্লাইট অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৬৯, নুপী ৩৫ অমদি অঙাং অহুম য়াওনা পুন্না মীওই ১০৬ পুশিল্লকখি। অহুমশুবা (ইন্দিগো ৬ ঈ-৭০০) ফ্লাইট অসিনা কোলকতাদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৮৯, নুপী ৩০ অমদি অঙাং ৬ য়াওনা পুন্না মীওই ১২৫ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। মরিশুবা এয়র ইন্দিয়া (এয়রলাইন ৯ আই-৭৪১) ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ২৪, নুপী ১০ অমদি অঙাং ৮ য়াওনা পুন্না মীওই ৬২ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। মঙাশুবা এয়র ইন্দিয়া (এ আই ৮৮৯) অসিনা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা ৭৬, নুপী ৩১ অমদি অঙাং ৩ য়াওনা পুন্না মীওই ১১১ ইম্ফালদা পুশিল্লকখি।

ফ্লাইটতা লাকখিবা পুন্না মীওই ৪৪৯ অদু ইম্ফাল এয়রপোর্টতা লৈবা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা নীংথিনা চেকিং তৌরবা মতুংদা মপান্দা খামদুনা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসশিংদা পুরগা ঘাড়িদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমিদা থমখি। মদুগী মতুং মফম অদুদগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওফিসলশিংনা অমুক পুরগা মখোয়গী ক্বারন্টিন তৌফম সেন্টরশিংদা থম্নবা পুখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা মে ২৫দগী মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী মীওইশিং ফ্লাইটতা ঙসি ফাওবা পুশিল্লকপদা পুন্না মীওই ১৯,৬০৭ রোম শুখ্রে।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।০৭।২০২০ ইং, শগোলশেল;
ইঙেলগী ২৬ নি পানবা।

মেষ : হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, ফিংবনা মাজঙবা অমদি হোয়া ফবনা নরল চৎপা য়াবা নুমিৎনি। অরিবা থবক পাংবা, শেল ফংবা য়াবা অমদি মীনা থাগৎপিবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবা থাদোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃষ : মায় পাকচবা, ৱাখলগী পাঙ্গল হেনগৎপা অমদি লল্লোনবদা চাউনা কান্নবা নুমিৎনি। অশিংবা তান্নবদা য়েক্লবা হেনগৎপা অমদি মীৱা লৌবনা কিবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : তপথৌ অমদি নাপল থাদোকউ নত্রবদি খৎনবা য়াবা লৈ। মীতোপ লোয়নগনু অমদি মীয়াম্না য়াদবা থবক পাংগনু। য়ারগদি অখঙ-অহৈগী ৱা তারগা থৌ পাংউ।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইবা, নীংবা মপা চাবা অমদি থৌনা লিংজেল লৈনবনা লন ফংজবা লৈগনি। অদবু লেংদবা লন মাঙবা য়াবসু লাকই-মরম চাদনা ইচং থৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ : মীপাইরম্বা কোকচদুনা অনীংবা খরদি পাংলনি অমদি লৌশিং চাওবা অমদি থিজিনবা কনবা ওইবনা য়েৎনবদা ঙন্বীনবা লৈরোই। লন থোইনা চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীচং লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাবু/য়াইঙং।

কন্যা : ৱাখল ৱাবা, থবক মাঙবা অমদি পাউ ইনুং নুংঙাইতবা নুমিৎনি। অদুবু ইচং থৌবনা শেল ফংগনি, মীকোক থোংগনি, মীয়াম্না য়াই অমদি অঙন্বনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা : মীকোক থোংনা থবক পাংলনি, পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈ অদুনা অরুবা ৱারেপ লৌহৌরো। লাইবক ফবদি ৱাৎপনা খূৎ চাওবা অমদি হোয়া ফবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক : নীংবা শোইদনা থুংউ, লাইবক ফবা ওইয়ু অমদি ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজৌ হায়বা নুমিৎনি। পোরম য়াৎথোকপা হৈগনি। য়েক্লবনদি তাথীবা লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : য়েৎনবা অমদি হুরানবনা নচাক-নরল মৎনবা তৌবা লৈরসু লাইবক ফবনা মীচং হেনগৎকনি অমদি ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগনি-নীংবদুমক পাংবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল খরা নুংঙাইরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মকর : ওইজবা ফংগনি, পূক্লিংদা চিংনবা লৈরসু, মরু ওইবা থবক্তি মীয়ামগী মতেংনা পাংবা ঙমজগনি। নচা ননাইগী লম্দা ৱাখল নুংঙাইগনি -মীকোক থোংবদি ৱাই।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা : ইমুং-মনুংগী মতেংনা কান্নবা য়াম্না ফংজৌ, হনবা লৈতনা হোৎনজবনা মীথোই মীহেনবা ওইয়ু হায়বা নুমিৎনি। অদুবু নক্লবনা নরল ময়েং তাহনবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : খোইরাংবা ফাথৌ, নচাক-নরল চেকশিঞ্জৌ অমদি নথক থোংবনা ৱারৌদনবা হোৎনৌ। অয়েৎপা কোকচবা, শেন্দোং য়াম্না ফংজবা অমদি মীংচৎপা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথৌ মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।